

এ আই টি য়ু সী মণিপুরনা শিন্নীশিংগী লালহৌ মায় পাকহন্নবগীদমক দিমান্দ কয়া পুখৎলকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : মে দেনা লাকপদা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) মণিপুরনা শিন্নীশিংগী লালহৌ মায় পাকহন্নবগীদমক দিমান্দশিং পুখৎলি হায়না এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দিমান্দশিং অদুদি হায়রে প্রোটেক্সন ফোর্স খুদক্তা লিংগদবনি, শিন্নীশিংগী পূন্সি কল্লু, শিন্নীশিংগী থাগী খূৎশুমল লুপা লিশিং ২৬ ওইহনগদবনি। লায়রবশিংগী চাকথুং মৎপা য়ারোই, চেঙ লেম্না অমদি লুপা ৩দা ফংফম থোকপশিংদা ফংহনগদবনি। এম জি এন আর ঈ জি এসকী নুমিৎ ১০০ নিগী থবক মৎপা য়ারোই, নোংমগী খূৎশুমল লুপা ৬০০ ওইহল্লু। কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংগী ৱেলফেয়র বেনিফিট য়ূমশা-কৈশাগী শিন্নীশিংদা শোয়দনা ফংহনগদবনি, কৈথেল ইমাশিংগী পোৎফম পীয়ু, শেন্থং পীয়ু, ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট খুদক্তা চৎনহল্লু। পব্লিক সেক্তর অন্দর টেকিং য়ুনিটশিং প্রাইভেটাইজ তৌবা য়ারোই, বেঙ্ক, ইন্স্যুরেন্স, পোষ্টেল সর্ভিস, বি এস এন এল, লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিং, বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট প্রাইভেটাইজ তৌবা য়ারোই। স্কিম ৱার্করশিং, শিন্নীশিংগী থবক্তা শক খঙবীদুনা মখোয়বু লৈঙাক্কী গ্রেদ ফোরগী থাক্তা লৈবা ইমপ্লোয়ী ওইহল্লু। লৌমীশিং মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস চৎনহল্লু, লৌমী মীয়ামগী চাকথুং ফংহল্লু। শিন্নীশিংদা পুবা থাংবা ঙস্লোইদবা শেনখায়-থুমখায়, ওৎ-নৈবা, ফূবী-চৈবীবা, কিহন-খঙহনবগী থবক তৌবীগনু হায়রিবা দিমান্দশিং অসিনি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মে দেগী ঈহৌসি ফ্রেন্দরিক এঙ্গেলসনা মালেমগী শু-নোম্লিবশিং পুনশিন্ননবা হোৎনদুনা লৈবাক কয়াদগী সোসলিজমবু থাজবা মীওইশিং য়াওবা মীফম অমা ১৮৮৯গী জুলাই ১৪দা পেরিশতা পাঙথোক্তুনা 'প্রোলিটরিয়েৎ ইন টরনেসনল' শেমখি। মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপতি অমেরিকাগী ফেদরেসন ওফ লেবরনা কুমজা ১৮৮৮গী দিসেম্বরদা সেন্ট লুইজ কনভেন্সনদা কুমজা ১৮৯০গী মে ১দা শিন্নীশিংগী দেমোন্সত্রেসন পাঙথোক্লবা লেপ্পখ্রবনিনা নুমিৎ অসিদা ইন্টরনেসনল দেমোন্সত্রেসন পাঙথোকপা হায়বসিনি।

ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না মালেমগী শিন্নীশিংগী নুমিৎ হায়রগা মে ১বু খঙনদুনা মালেমগী মফম শিন-থুংনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। লোয়ননা শিন্নীশিংবু শুমদুনা চাবগী মায়োক্তা থৌনা লৈনা লেপ্তুনা খেন্নবা লৈতবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা চঙশিনখি।

কুমসি চহীগী ওইনা মে দেনা লাকপদা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনা সেন্টর অমদি ষ্টেটসিদা লৈঙাক্লিবা বি জে পি লৈঙাক্কী মায়োক্তা শিন্নী মীয়ামগী রাইট ঙাক্লবা লেবর লোশিং শেমদোকপগী মায়োক্তা, প্রোবিদেন্ট ফন্দগী শেন্দোইগী চাং চাদা ৯.৫ য়ৌহনবা, বোনস লো অমসুং গ্রেচ্যুিটি এক্ট শেমদোক্লবা, খূৎশুমল অমসুং তোলোপ চাং নাইনা পীথোক্লবা, শিনশঙশিংদা থবক শুরিবী নুপীশিংবু ঙাকপী-শেনবীনবা লোশিং শেম্নবা, মীয়াম্না মায়োক্লরিবা মপুং ওইবা ৱাথোকশিং- চানিংঙাই লৈতবা, থবক ফংদবা, খূৎশুমল লিক্ক।পীবা অমদি ওর্গনাইজ্দ লেবরশিংবু ওৎপীরিবা কয়া অমদি খুন্নাইদা অরানবা তৌবা, লৌমীবু লৈখাদা চিংথবা, কাঙলুপ অমদি লাইনি খায়দুনা খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা শিনবা, সেক্যুলরিজম অমদি খুন্নাই অপূনবগী মায়োক্তা লৈবা পৱারশিং থেংনগনি। খুন্নাইগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা তকশিনবগা লোয়নন‌া শুপ্নম লৈঙাক্কী পৱার, ত্রান্সনেসনল কোর্পোরেসন অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্কনা খুন্নাইসিগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহন্নবা, মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগী লম্বীদা পীরিবা অপনবশিং, কিহল্লকপশিং অমদি লৈবাক মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা লৈবা শুপ্নম লৈঙাক্কী পাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবদা শিন্নীশিংনা থেংননবা অকনবা ৱাশক লৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কবুইশিংগীসু চহী হৌবা শজিবুগী নোংমা পানবদা ওইরগনি : কাউন্সীল

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : কবুই কষ্টমরি কাউন্সীলনা শীন্দুনা কবুই খুলশিংগী খুলবু, খুল্লাকপা অমদি খুলগী থৌবৈশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা অপূনবগী মীফম অমা এপ্রিল ২৮দা শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওদা পাঙথোকখ্রে হায়না কবুই কষ্টমরি কাউন্সীল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে গাংমুমৈ কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মীফম অদুদা কবুই খুন্নাইগী নাৎ হিঙ্গৎহন্নবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা থবক থৌরমশিং য়োকখৎনবা ৱারেপ লৌখি। খন্নখিবা অদুদা মরু ওইনা কবুই ফূরুপকী ওইনা নাৎকী চৎনবীগী মতুংইন্না কুম অমগী চহী হৌবগী মতাংদা খন্নখি। কনাগুম্বনা ৱাকচিং থাদা হৌগদবনি, কনা অমনা শজিবুগী নোংমা পানবদা ওইগদবনি হায়নরকখি। ৱাফম অনীসিদগী অচুম্বা পুথোক্লবা কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা কবুইগী শেন্বীবা মপু রাগ্বাংদা অয়েৎপা লৈতনবা কবুই নাৎকী চৎনবী মতুংইন্না কে গাংমুমৈ কবুইনা শেন্বীবা মপুদা য়েনখোং তমদুনা থৌনিখি।

য়েনখোং তম্বগী খুদম মতুংইন্না 'বাই চাগান' হায়বদি শজিবু নোংমা পানবা অসিনা কবুইশিংগী চহী হৌবা অচুম্বমক্লি হায়বা খুদম ফংখি। মরম অদুনা কবুইগী চহী/কুম হৌবা নুমিৎ অসি শজিবুগী নোংমা পানবা ওইরগনি হায়না অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

মরম অসিনা কবুইগী চহী হৌবা নুমিৎসিদা য়ূমথোঙ খূদিংগী মৈরা অমমম থানবা হায়নসু ৱারেপ অদুদা য়াওরি। লোয়ননা কবুইগী ওইবা তং-তাবা কুম হৌবগী নুমিৎ লেপ্পা ঙমখিবগা লোয়ননা ইপা-ইপুগী চৎনরোল করিনো, ফিজেৎনা করম্বনো হায়বনচিংবসি তাংদাংবা খঙদোক্লবগীদমক কবুই কষ্টমরি কাউন্সীলনা হোৎনদুনা লাক্লি, মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়রি।

লৌশিং পুক্কে

তোঙান তোঙানবা মখলগী

ষ্ট্রোকশিং তৌহল্লক্তনবা ঐখোয়না পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং

চহী খুদিংগী ষ্ট্রোক্কী কেস লাখ ১৬ লোম থেংনরিবা ইন্দিয়াগী মতাংদা হেল্থ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্ট্রোক্কী কেস শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদি পুন্সি মহিং শোয়বদগী থোরকপনি। পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা তারবদি ষ্ট্রোক্কী কেস মশীং হন্থহনবা ঙমগনি।

ফোর্টিস এস্কোর্টস হার্ট ইন্সটিট্যুটনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, দিপ্রেসন, ক্রোনিক এঞ্জাইটি অমসুং থবক মফমগী ষ্ট্রেসনা চহী নৌরিবশিং য়াওনা মীওই কয়া ব্রেন ষ্ট্রোক অমসুং হার্ট ষ্ট্রোক তৌহল্লকপনি। ষ্ট্রোক তৌবদগী লায়েংদুনা হিংহৌরবা মীওই অয়াম্বা নীংশিংবা ঙম্ববী মতিক ময়ায় মাঙখিবগা লোয়ননা মওং মরিল তানা ৱাখল খনবা ঙমদে।

ইন্দ্রপ্রসথা হোস্পিটালগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট ন্যুরোলোজিষ্ট পি এন রেঞ্জেননা হায়খি, নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা মরম ওইরগা ঈ নঙশিল্লকই অমসুং ঈ উতোং কনশিল্লকই। এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনবা থৌওং অসিনা ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লকপদগী ষ্ট্রোক তৌহল্লকই। হায়রিবা মরম ময়াম অসিনা ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লকপনা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎলকই। থবক্কী ষ্ট্রেস, এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন অমসুং পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা অতৈ থৌওংশিংনা মীওই কয়াদা ষ্ট্রোক তৌহল্লকই। মালেমগী ওইনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভম অমা লাকপদগী ওক্টোবর ২৯ বু চহী খুদিংগী 'ৱর্ল্ড ষ্ট্রোক দে' হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু হীরম অসিগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লি।

মালেমদা হৌজিক হৌজিক মীওই মিলিয়ন ২৬ লোম ষ্ট্রোকনা মরম ওইরগা শোয়নাইরবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি মীওই ৬ খুদিংগী মীওই অমমম পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট অসিনি। ষ্ট্রোক্কী লাইওংশিং মাঙজৌননা উৎথোরকই। ইথা থাজ দবা মওংদা ইখঙ খঙহৌদনা উৎথোরকই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু মুন্না ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই হায়না অর্টেমিস হোস্পিটাল, গুরগাওনগী দিরেক্টর ওফ ন্যুরোইন্টরভেন্সন বিপলু গুণঞ্চনা ফোঙদোকখি।

মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা অমসুং শোয়নাইহনবগী মতাংদা ষ্ট্রোক্না অহুমশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমনি হায়না পল্লদুনা ডা. গুণঞ্চনা হায়খি, ষ্ট্রোক তৌরবা মীওই খূদিংমক মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি মিনিট খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ১.৯ অমাঙ অতা থোরকই। ষ্ট্রোক তৌরবা পেসেন্ট অমগী পুন্সি কন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মতম (গোল্ডন অৱর) দি অহানবগী পুং ৬ অদুনি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা মতিক চানা লায়েংহৌবা মথৌ তাই। ষ্ট্রোক্কী মতাংদা চথখিবা ষ্টদিগী অনৌবা রিপোর্ট পল্লদুনা গুণঞ্চনা হায়খি, মীরোলহন্দনবা হীদাক (বর্থ কন্ট্রোল পিল) চাবা নুপীশিংদা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মীরোনবী নুপীশিংসু ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। মীরোল্লিঙৈ মনুংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা মরম্না হার্টতা অহেনবা পোৎলুম পী। মরম অদুনা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক ৱাংখৎলকপনি।

সার গঙ্গারাম হোস্পিটালগী ন্যুরো সর্জন সতনম সিংহ ছব্রনা হায়খি, হকচাংগী অরুম্বা হেনবা, বর্থ কন্ট্রোল পিল শীজিন্নবা, মৈখু শীজিন্নবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমসুং দাইবেটিসনচিংবা পুম্নমক ষ্ট্রোক্কী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। ওরেল কন্ট্রাসেপ্টিভ শীজিন্নবনা ব্রেনগী ঈ উতোং ফুলহনবা মরম্না ইস্কেমক ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। কন্ট্রাসেপ্টিভ পিলদা ইষ্ট্রাদিওলগী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি।

মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা শিহনবা অমসুং শোয়নাইহনবা মরম্না ষ্ট্রোক হায়বসি কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মেদিকেল ইমর্জেন্সিনি। ব্রেনগী অখন্নবা মফম অমদা ঈগী ঈচেল য়ৌদ্রবদি ব্রেন সেলশিং ওক্সিজেন ফংদবদগী তপ্না তপ্না শিথরকই। ওক্সিজেন অমসুং মরুওইবা ন্যুট্রিএন্টশিং ফংলক্তবদগী ব্রেন সেলশিং শিরকপনি। ব্রেন সেলশিং শিখ্রবদি হায়রিবা ব্রেনগী শরুক অদুনা কন্ট্রোল তৌরম্বা থবক পুম্নমক মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লক্তে। মরম অদুনা ষ্ট্রোক তৌখ্রবা মীওই কয়া নীংশিংবগী মতিক ময়াই মাঙখিবগা লোয়ননা হকচাং লেঙ-ওৎপা ঙম্লক্তবনি।অখঙ-অহৈশিংগী মত মতুংইন্না মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌরবদি ষ্ট্রোক্কী কেস চাদা ৮০ রোম মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

ফরিদবাদকী আই বি এস হোস্পিটালদা কন্সল্টেন্ট ন্যুরোলোজিষ্ট ওইনা লৈবা কিশন রাজনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দবা, য়ু থকপা অমসুং মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা, অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি ষ্ট্রোক্কী কেস অয়াম্বা মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী। পুম্নমক অসিগী মথক্তা য়ারিবমখৈ অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। সার গঙ্গারাম হোস্পিটালদা ইন্টরনেল মেদিসিনগী মকোক ওইনা লৈবা ডা. ব্যোট্রানা হায়খি, নুংশিৎতা য়াওবা মৈখু অমসুং উফুল মকুপ্না নিংশা শ্বর হোনবদা য়াওখ্রগা রেস্পিরেটরি দিজিজ ওইহল্লকই অমসুং ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎলকই।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

এৱার্দ সিরেমোনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : শিজ একাদেমী ওফ হেল্থ সাইন্সেস (এস এ ঐচ এস), লাঙ্গোল ইম্ফালনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭তা ইন্সটিট্যুট অসিগী মেরিটোরিয়স এম বি বি এস মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা এৱার্দ সিরেমোনি পাঙথোকখ্রে হায়না শিজ একাদেমী ওফ হেল্থ সাইন্সেসকী দিরেক্তরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ সিরেমোনি অদুদা শিজ মেনেজমেন্ট টিমগী ডা. পালিন খুন্দোংবম অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্তর ডা. এম অমুবা লোয়ননা ফেকল্টি মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

এৱার্দ পীখিবা মহৈরোয়শিংদি এম বি বি এস ফেজ ৱানদা লনচেনবা এলাংবম ফোর্থ পোজিসন, সুমৈয়া সয়েদা সিক্স পোজিসন, অরিবম অয়েসা সেভেন পোজিসন লোয়ননা এম বি বি এস ফেজ টুদা ধনমঞ্জুরি শামুরাইলাৎপম ফোর্থ পোজিসন, জুলফি সহানি ফোর্থ পোজিসন, কেথেরিন অহোংশাংবম আইট পোজিসন, থোঙ্গ্রাম সনায়াই আইট পোজিসন অমসুং মাইবম সনাথোই টেন্থ পোজিসন লোয়না ফেজ ৱান অমসুং টুদা ওনর্স মার্ক ফংখিবা এনাটোমি ১, ফিজিওলোজি ১, বাইওকেমিষ্ট্রি ১০, পেথোলোজি ৩, মাইক্রো বাইওলোজি ৩, ফার্মাকোলোজি ২নি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টরনেসনল সেমিনার পাঙথোকখ্রে

One-Day International
on
"DANCE AND MUSIC"
PEACE AND HARMONY THROUGH DANCE AND MUSIC
in Celebration of
WORLD DANCE DAY 2024
29th April
DEPARTMENT OF DANCE AND MUSIC
UNIVERSITY, CANCHIPUR
PRESIDENT

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক্না শীন্দুনা ৱর্ল্ড দান্স দেগী থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ইন্টরনেসনল সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে।

'য়ুনিভর্সেল পিছ এন্দ হার্মোনি থ্রু দান্স এন্দ ম্যুজিক' হায়বা থীমসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা দিপার্টমেন্টসিগী লেকচর হোলদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজগী দিন প্রোফেসর এস ইমোবনা অথোইবা মীথুং, ডা. এম থোইবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট দান্স এন্দ ম্যুজিক্না থৌরম মপু অমদি টি ঐচ চাওতোম্বী ফোর্মর প্রদক্সন ইন-চার্জ জে এন এম দি এ ইম্ফালনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা প্রোফেসর এ ইমোবনা হায়খি, এম য়ুগী মখাদা দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টনা চহী কয়াদগী জগোয় অমদি ঈশৈগী সবজেক্টশিং হাংদোক্তুনা তাকপী-তম্বীদুনা লাক্লি। মায় পাক্লবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লমদমসিগী ইনাক খুল্লবা কলচরগী পোথোকশিং মালেমগী মীয়ামদা শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। লমদমসিদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌওং য়াওনা তংদু-লৈতানা লৈবা ঙমদ্রিবসি আর্ট এন্দ কলচরগী খূথাংদগী ঈং-তপ্পা ফীভম, অমগা অমগা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন শন্দোকপদা পুন্না হোৎনমিন্নবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

থৌরম মপুগী ৱারোলদা ডা. এম থোইবনা জগোয়-ঈশৈশিংসি তুংগী মীরোলনা নীংথিনা ঙাক্তুনা থমহৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। মদুগীদমক মহৈরোয় অমসুং ওজাশিংনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

য়ূমশারোলগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস) : লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি) অমদি ইন্সটিট্যুসন ওফ ইঞ্জিনিয়র্স ইন্দিয়া (আই ঈ আই) মণিপুর ষ্টেট সেন্টর অনীনা পুন্না খূৎশম্নরগা সিভিল ইঞ্জিনিয়রিং দিভিজন বোর্দ, আই ঈ আইগী মীৎয়েং মখাদা মীতৈগী য়ূমশারোলগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি মাইস্নাম শিবদত্ত লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হয়িং খোংবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈবা সনামহী লাইশঙদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শিবদত্তনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী লমদমসি লাইগী লৈবাক্লি হায়নরিবনি। য়েলহৌ ফূরুপশিং অসিগী য়ূমশিংসি লাইশঙনি। য়ূম খূদিংমক্তা সনামহীগী খুভম য়াবগা লোয়ননা লাইফম মঙা লৈ হায়না লৌনদুনা ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্লিবনি। অদুবু হোংলক্লিবা মতমগী মতুংইন্না লৈফম লৈরক্তবা, মরাকলোমদা শন্দোকফম মরাং কায়দবনা ময়ুংলোমদা ওইনা শন্দারকপনা লাইশঙনি হায়রিবা য়ূম অমদা লৈগদবা কাঙলোন ময়াম অমা ঙাকপদা অৱাৎপা ময়াম লাকপনা মরম ওইরগা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নদবা য়াদবগী তঙাইফদবা লাক্লি। মসিগীদমক ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা হান্না লৈজরম্বা য়ূমশা কাঙলোনগী মতাংদা ৱার্কশোপ অসি তঙাইফদনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

এম য়ু সীগা এল এস টি বিগা পুন্না খূৎশম্নদুনা রাইট-দি-পেসেজ, পোকপা-শিবা-লুহোংবগী মতাংদা নুমিৎ ১৫নি চুপ্না চথখিবা ৱার্কশোপ প্রোগ্রামদগী ইশা-ইশাগী য়ূমদা লৈগদবা কাঙলোনশিংদু মফম চানা থমদবা য়ারক্তবদগী পুন্না খন্নমিন্ননবা য়ূমশারোলগী মতাংদা ৱার্কশোপ প্রোগ্রামসি লাক্লিবা মে ২৫দা লাইনিংথৌ সনামহী শঙলেন্দা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

প্রোগ্রামসিদা য়ূম শাবগী থবক থৌরম তৌরিবা আর্কিটেক, মিষ্ট্রি, ইঞ্জিনিয়রশিং, মহৈরোয় অমদি থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা নাৎকী ফিজোল শেত্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না ৱার্কশোপ প্রোগ্রামসিগী কনভিনর ইঞ্জিনিয়র হুইরেম ভারত মৈতৈনা পাউজেল্লক্লি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
1st P.T	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
2nd P.T	9.50	1,500	14,250
		2,000	19,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			4,000

Contact No. 6009512716

HL-P/10585/29 April to 14 May

Dhanamanjuri University, Manipur

OFFICE OF THE PRINCIPAL, DM COLLEGE OF ARTS
IMPHAL

[illegible] /ADMISSION NOTICE

Four-Year B.A.(Hons)1st Semester 2024

No. 1/1/ADM/2018-DMCA Date : 29th April 2024

Information is hereby circulated for all concerned that *Applications* in *prescribed Forms* are invited from intending candidates for admission to **Four-Year B.A.(Hons)1st Semester 2024** for *DM College of Arts* as per ***details*** given below.

Programme (NEP) : **Four-Year B.A.(Hons)**
Session : **1st Semester 2024 (July)**
Issue and Receipt of Application Forms
Duration : **Thursday, 2nd May to Monday, 20th May**
Time : **10 am to 4 pm** on all working days
Site : **College Exam Cell Premises**
Preliminary Eligibility (for the **Test**) : **50 p.c./equivalent Grade for General (with 5% relaxation for others as given in the Prospectus) at HSSLC Exam**
Date, Time, Centre of **Test** : **to be duly notified**

***Notes :** ☞

Admission will be taken absolutely by merit based on the marks obtained at a *common Entrance Test (CET)* for all subjects.

College propectus attached with the Application Form can be had on payment by cash of an aggregated sum of ₹ **300/-** (₹ **200/-** for prospectus and ₹ **100/-** as **Test Fee**) only.

Applicants are advised to thoroughly read and carefully follow the instructions in the Prospectus before fillings up their Application Forms.

The Application Forms must be complete in all respects.

HL-P/10591/30,1 May

Sd/- **T. Ranjit Sigh, Principal**

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০৪।২০২৪ ইং, লৈবাকপোকপা;
অয়ুক ৭.০৫ ফাওবা শজিবুগী ২১নি পাল্লি, মতুংদি ২২নি পাল্লনি।

মেষ: মীয়ামগা মরী ফগৎপা, লন চাওখৎপগী নুংঙাইজবা লৈগনি। থেংলপ্না মীপাইরম্বা কোকচদুনা থবক পাঙগনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

বৃষ: নাপল অমদি হোয়া ফবনা মাঙওইনগনু। নোল্লুকপা অমদি মরম খঙনা থৌ পাঙবদা হেন্না চাওখৎকনি। য়াকা য়েংনা থৌনাদি ফুদোকউ।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: পুং ১১ ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ-লল্লোন ইতিক্তা খূৎচাও থাবা য়াগনি, নথক থোংবগী মতেংনা লন হেন্না তানশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংগী- ইকায় খুম্নবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবতা নত্তনা নীংবসু থুংগনি। ওইজবা য়াম্না ফংজগনি। মীতোপকী ৱা লৌরবা, নথক থোংবগী ৱা থওইদ্রদি চাউনা মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

সিংহ: থৌয়াম পুরবা অমদি অরুবা ৱারেপ লৌরবা অঙম্বনা তাথিবীগনি। থেংলপ্না নীংবা মপা চাগনি, মীয়ামগা মরী ফগনি, লন চঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা য়াই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

কন্যা: চিন কনগনু, ফিংগনু, হোয়া ফগনু-ৱা থোকপা নৎত্রগা চোপ্পা য়াবা লৈ। লাই-গুরুগী পাউতাক লৌরদি মাঙবা য়াবদৈ কনগনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

তুলা: অয়ুক পুং ১১ ফাওবদা অফবা থবক পাঙবা হৌবা ফগনি, ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি। থৌরম শীন্দোকপা হৈ, নথক থোংবনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংগী- ঙাং-শকপা হৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: তপথৌ-মাঙগদবগী শরুক থেংলপ্না থৌ পাঙবা ফগনি। নথক থোংবনসু শোয়দনা চানবীগনি। ঈরাং পুরবা, কাঙলোন য়েংদ্রদি মাঙলনি।
লৈশা পাখংগী- থেংলপ্না লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: অয়ুক পুং ১১ ফাওবা অফবা খোঙশাল লৈগনি-খূৎচাও থাহৌবা য়াগনি। অকল-অথৌগী থবক্তদি মীকোক থোংবা ৱাগনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংগী- ঈংথনা লৈথোকউ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: অঙম্বনা চানগনি, থৌনা ফুদোকপনা অফবা মফম কনবা ঙমজগনি। থেংলপ্না নীংবা থুংবা হেনগনি। অফা অপুন্নবদি লৈ-খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কুম্ভ: অয়ুক পুং ১১ ফাওবা ওইজবা ফংগদবা, নীংবা মপা চাগদবা খোঙশাল লৈ। থেংথরদি ওইজবা মাঙগনি। য়েৎনবা য়াওরুনু, হৈ-শিংবা শারুনু।
লৈশা পাখংগী- মতম খরা লৌখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মীন: নচা-ননাই চাওখৎকনি, লাইবক ফবনা থবক পাঙবতা নত্তনা ওইজবসু থোইনা ফংগনি। য়েক্লবনা নরলদা মীতাবদি লৈ-ঙক কনগনু।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।